


# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 18, 2017 PAGE 7




*বেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসকী দোনাল্ডসনগী মখুত্তা মায়থিহৌরবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন*

*ইন্দিয়াগী নম্বর ৱান গোল কিপর নোরবেগী ফুটবোল ক্লব ষ্টাবেক এফসিদা হৌখিবা সিজন ৩ শান্নরুরবা মতুং হন্দক্কী সিজনদা বেঙ্গালুরু এফসি ফুটবোল ক্লবতা শরুক য়ারগদবা গুরপ্রিত সিংহ সান্ধু*

## ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা বলগেরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ১৭ঃ*

বলগেরিয়াগী সিটি সোফিয়াদা পাঙথোকপা বলগেরিয়া ওপন ইন্টরনেসনেল সেরিজ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ৱার্ল্ড জুনিয়র নম্বর ৱান ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ক্রোএসিয়াগী ভোনিমির দুর্কিনজাক মায়থিবা পীদুনা নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে।

পনবা য়াবদি টুর্নামেন্ট অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা শ্রী লঙ্কাগী দিনুকা করুনারতনাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৯, ১২–১৪ দা থোইরম্বনি।

লক্ষ্য সেন অমসুং ভোনিমির দুর্কিনজনা মিনট ৫৭ চঙনা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম অদু হৌরকপদা শান্নরোই অনীগী মায়কৈদগী পোইন্ট মান্ননা চৎলম্লবা মতুং ভোনিমির দুর্কিনজনা ২১–১৮ দা থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

গেম অমা শোথরবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা অনীশুবা গেম অদুদা য়াম্না ফজবা মশান্না উত্তুনা শান্নরকপদগী টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর টু সিদেদ ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী ভোনিমির দুর্কিনজবু ইৱা ৱাদনা ২১–১২ দা থোইদুনা শান্নরোই অনীমক গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অরোইবা অমদি দিসাইদিং গেম অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। অদুবু মমৈথংদা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেননা ফজবা হেনখিদুনা ক্রোএসিয়াগী ভোনিমির দুর্কিনজবু ২১–১৭ দা থোইদুনা বলগেরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ জর্মনিগী লুইজ হিমবু টুর্নামেন্ট অসিগী ৫ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী টর্কিগী নেসলিহান য়িগিতনা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১২, ২১–১৭ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

বলগেরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা দেনমার্ককী পিয়র অনী লম্বা তৌনখিবদা মাথিয়াস থিরি অমদি সোরেন টৌফ হান্সেনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩ শুবা সিদেদ পিয়র জেপি বে অমদি রামমুসপু য়াম্না কোম্না ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৬, ২১–১২ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা সিদেদ পিয়র ইন্দোনেসিয়াগী গাব্রিয়েলা অমদি ষ্টেফানি ষ্টোইভানা টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ টর্কিগী বেনগিসু ইর্সেটিন অমদি নাজলিকান ইনসিবু ২১–১৬, ২১–১২ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা বলগেরিয়াগী এলেক্স ব্লার অমদি নেদরলেন্দসকী আইরিস টাবেলিংনা দেনমার্ককী মাথিয়াস থাইরি অমদি ইমিলৈ আলেষ্টুপপু ২৩–২১, ২১–১৫ দা থোইদুনা টাইটল লৌখি।



*বলগেরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী লক্ষ্য সেন (ময়ায়)*

## চিংলেনসনা অমদি রমনদিপকী পাঞ্জল ২/ ২ না য়ুরোপ টুরগী অরোইবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রিয়াবু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে

*অমষ্টেলভিন, ওগষ্ট ১৭ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপাগী সেনিয়র হোক্কি টিম্না য়ুরোপ টুরগী মনুং চন্না ঙসি শান্নখিবা অরোইবা মেটচতা কাঙুজম চিংলেনসনা অমদি রমনদিপ সিংহগী পাঞ্জল ২/২ না ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রিয়াবু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীখ্রে।

পনবা য়াবদি য়ুরোপিয়ান টুর অসিদা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসি মেটচ ৫ শান্নখিবদা ৩ মায় পাক্লগা ২ ড্রো চৎখিবনি। লোয়ননা ৱার্ল্ড নম্বর ৪ দা লৈরিবা নেদরলেন্দসপু ইন্দিয়ানা মেটচ অনী শান্নখিবদা অনীমক মায় পাক্তুনা য়াম্না ফজবা ফিভমদা লৈবা ঙমখিবনি।

য়ুরোপ টুর অসিগী মনুং চন্না ঙসি নেদরলেন্দসকী সিটি অমষ্টেলভিনদা ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রিয়ানা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা অকনবা এটেক তৌনদুনা শান্নবা হৌরকখি।

শান্নবগী ১৪ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং নমখায়দুনা ওষ্ট্রিয়াগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরিবা ওলিভর বিন্দরনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা অহানবা ক্বার্টর অদু লোইশিনখিবা ফাওবদা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা পাঞ্জল অমা শোথরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা ওষ্ট্রিয়াগী মায়কৈদা এটেক তৌশিন্দুনা শোথরিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনখি। শান্নবগী ২৫ শুবা মিনটতা ইন্দিয়ানা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা অমিত রোহিদাসনা খাইরকপা বোল অদু রমনদিপ সিংহনা নীংথিনা কলেক্ত তৌদুনা গোল তম্না থাজিনখিবদা পাঞ্জল ওইদুনা ইক্বেলাইজর ওইহনবা ঙমখি।

শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা ঙাইরিঙৈ ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী খোঙলৈ থুনা পুশিল্লকখিবা বোল অমা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা রমনদিপ সিংহনা ওষ্ট্রিয়াগী মায়োক্তা য়াম্না ফজবা বোল অমা ফংবদগী ওষ্ট্রিয়াগী পেনাল্টি সার্কল মতোন্দগী রিভর্স সোট অমা তৌশিন্দুনা গোল কিপর অদুবু মায়থিবা পীরগা পাঞ্জল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

রমনদিপকী পাঞ্জল অদুগী মতুং ইন্দিয়ানা মখা তানা চথরকপা এটেক অমদা মন্দিপনা পুশিল্লকপা বোল অমা মপা চানা ইপ্থোরকপদা বরুন কুমারনা য়ৈশিনবা য়ারম্বা তাঞ্জা অদু ওষ্ট্রিয়াগী দিফেন্দরনা ঙাক্তুনা লৈখিবদগী মখা তানা টিম অদুগী ভাইস কেপ্টেন ওইরিবা মণিপুর মচা চিংলেনসনাদা খাইরকখি। চিংলেনসনানা অশোয়–অঙাম য়াওদনা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা অদুগা মেটচকী মরিশুবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৩৭ শুবা মিনটতা চনবা ঙমখি।

অরোইবা ক্বার্টর অদুদা ওষ্ট্রিয়াগী মায়কৈদগী শোথখিবা পাঞ্জল অদু য়াম্না কন্না হন্দোক্নবা হোৎনরকখি। ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংসু মখোয়না হেনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকখিদনবা য়াম্না চেকশিন্না শান্নখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ১০ ফাজিলক্ত্রবদা ওষ্ট্রিয়াগী মায়কৈদগী পুশিল্লকপা বোল অমা পেনাল্টি কোর্নর ফংখি। মাইকেল কোপরনা তাঞ্জা অদু মাঙহন্দনা পাঞ্জল ওম্থোক্তুনা ২–৩ দা লৈখি।

ইন্দিয়াগীসু পাঞ্জল চনবা য়াবা তাঞ্জা অমা ললিত উপাধেনা ফংখি। অদুবু ওষ্ট্রিয়াগী গোল কিপরনা ঙাকথোকখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌখিদে। শান্নবগী ৫৫ শুবা মিনটতা ওষ্ট্রিয়াগী পেত্রিক স্মিথনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা ইক্বেলাইজর অদু চনখি।

মিনট ৫ লেমহৌরিবা অদুদা ইন্দিয়ানা মেটচ অদু থোইননবা মখোয়গী অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা এটেক মরী–মরী চথরকখি। শান্নবগী লোইগদবা সেকেন্দ ১০ দা ঙাইরবা মতমদা রমনদিপনা পুশিল্লকপা বোল অমা গুর্জান্টদা খাইরকখি। মহাক্না গোল তম্না য়ৈশিল্লকপদা ভাইস কেপ্টেন চিংলেনসনানা বোল অদু ওষ্ট্রিয়াগী গোল পোষ্ট মনুংদা থকচিনহনখিদুনা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু ওইখি।



*ওষ্ট্রিয়াবু পাঞ্জল ৪–৩ দা মায়থিবা পীদুনা য়ুরোপিয়ান টুরদা ফজবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিং*

## রোনাল্ডো য়াওদবা রিয়েল মাদ্রিদ ফুটবোল ক্লবনা বার্সেলোনাবু অনীশুবা লেগ থোইদুনা সুপর কপ ফুটবোল টাইটল লৌখ্রে

*মাদ্রিদ, ওগষ্ট ১৭ঃ*

স্পেনিস ফুটবোলগী লা লীগা লোয়রবা মতুং চেম্পিয়ন ওইবা ক্লব অমদি অনীশুবা পোজিসন তাখিবা টিম অনী মথংশিংনা রিয়েল মাদ্রিদ অমসুং বার্সেলোনানা শান্নবা স্পেনিস সুপর কপ টুর্নামেন্টকী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা লেগকী মেটচ অদু রোনাল্ডো য়াখিদবা রিয়েল মাদ্রিদকী টিম্না পাঞ্জল ২–০ দা থোইদুনা অহানবা লেগকী স্কোর ৩–১ অদুগা পুনশিল্লগা এগ্রিগেটতা ৫–১ দা থোইদুনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অদুগী পাঞ্জল অনীমক শান্নবগী অহানবা হাল্ফতা চনখিবা ঙাক্তনি। রিয়েল মাদ্রিদকী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা সান্টিয়াগো ষ্টেদিয়মদা শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ৪ শুবা মিনটতা চহী ২১ দা ঙাইরিবা মার্কো এসেন্সিয়োনা কাউশিনখিবা শাফু কল্লবা বোল অমা বার্সেলোনাগী গোল পোষ্টকী কাচিনদা কিপর মার্ক এন্দ্রি টর ষ্টেগেনবু মায়থিবা পীদুনা অহানবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

রিয়েল মাদ্রিদকী কোচ জিনেদাই জিদেননা মহাক্কী ষ্টার শান্নরোই খৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো বার্সেলোনানা য়ুম্বু ওইরগা কেম্প নৌ ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচতা রেফরি ইল্লুবগীদমক মেটচ ৫ গী অথিংবা লৈদুনা ঙসিগী মেটচ অদুদা শান্নবা য়াওখিদ্রবসু অহানবা হাল্ফ অদুনা মহাক্কী শান্নরোইশিংনা উৎখিবা মশান্নদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাবা ঙম্লবা রিয়েল মাদ্রিদনা বার্সেলোনাগী মায়কৈদা মখা তানা বোল হেন্না পায়বা ঙম্বগী মশান্না অদু উৎপা ঙমখি।

অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৬ তা ঙাইরবা মতমদা রিয়েল মাদ্রিদকী করিম বেঞ্জিমানা পুশিনখিবা বোল অমা বার্সেলোনাগী দিফেন্দর উমটিটিবু লাম্থোক্তুনা কাউশিনখিবদা কিপর মার্ক এন্দ্রিবু মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা লেগ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি বার্সেলোনানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নখিবা অহানবা লেগকী মেটচ অদু রিয়েল মাদ্রিদনা ৩–১ দা থোইখিবনি। ঙসি পাঞ্জল অহানবা চনখিবা এসেন্সিয়ো অমসুং শান্নবা য়াওখিদবা রোনাল্ডোনা পাঞ্জল অমমম চনখি। অদুগা অহুমশুবা পাঞ্জল অদুদি বার্সেলোনাগী পিকেনা শোয়বদগী চনশিনজখিবনি। মেসিনা য়ুম্বু টিম অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনখি।

অনীশুবা হাল্ফতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী মমাঙদা মরুওইবা ষ্ট্রাইকর অমা ওইরম্বা নেমর ফ্রান্সকী ক্লব পেরিস সেন্ট জর্মেনদা ৱার্ল্ড রেকোর্দ ওইবা ট্রান্সফার ফিদা বৃটিশ পাউন্দ ২২২ দা চৎখ্রবা মতুং এটেক্কিং লাইন খরা শোত্থবগুম তৌখি।

টিম অদুগী মেসি অমসুং স্বারেজনা য়াম্না কন্না পাঞ্জল হনেদাক্নবা হোৎনখি। মেসিনা ফংখিবা বোল অমা রিয়েল মাদ্রিদকী গোল লাইনগী অনকপা মফমদগী কাউশিনখিবদা বারদা পান্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্লম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি।

মহাক্কী টিমমেট লুই স্বারেজসু য়াম্না কন্না হোৎনরকপনি। শান্নবগী মতম য়ামশিল্লক্ত্রবদা মহাক্না ফংখিবা বোল অমা হেদ তৌশিনবদা রিয়েল মাদ্রিদকী গোল পোষ্টতা পান্দুনা পাঞ্জল ওইবা ঙমহৌদবনি। টিম অদুগী ওইনা লোইশিল্লকপদা স্বারেজ মখুউ শোক্লগা মখা তাবা মেটচ শান্নবা ঙম্বা অমসুং ঙমদবা অদু ঙসি অথেংবদা খঙলগনি হায়রি।



*স্পেনিস সুপর কপগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা রিয়েল মাদ্রিদকী শান্নরোইশিংনা ট্রোফিগা লোয়ননা হরাওবা ফোঙদোকপা*

## ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা নুপীগী ডবলস ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে নুপাগী সিঙ্গলসতা রামকুমার রামানাথন অনীশুবা রাউন্দা লৈহৌরে

*চিনচিনাতি, ওগষ্ট ১৭ঃ*

য়ুএসএগী ওহায়ো ষ্টেটকী চিনচিনাতি সিটিদা লৈবা লিন্দর ফেমিলি টেন্নিস সেন্টরদা নুপা অমসুং নুপী পুন্না লম্বা তৌনবা ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী ডবলসতা ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং মহাক্কী পার্টনর চাইনাগী স্বাই পেঙ ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোই রামকুমার রামানাথন অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ওইখিবা ইন্দিয়াগী সানিয়া মির্জা অমসুং চাইনাগী স্বাই পেঙনা অনীশুবা রাউন্দদা জর্মমেনিগী জুলিয়া জোর্জিস অমসুং য়ুক্রেনগী ওলগা সাবুচুকপু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৭–৫, ৬–৪দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রোমানিয়াগী আই সি বেগু অমসুং আর ওলানুগা শান্নরগনি।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন য়ু এস এগী জে দোনাল্ডসনগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নরম্লবা মতুং মায়থিখি।

অহানবা সেট য়ু এসকী শান্নরোই অদুনা ৬–৪দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুনা রামকুমারনা ৬–২দা থোইরবা মতুংদা অরোইবা সেটতা দোনাল্ডসননা ৬–৪দা থোইদুনা ইন্দিয়াগী রামকুমার লৈহৌবনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা অনীশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী রিচার্দ গাস্কিবু ৬–৩, ৬–৪ দা মায়থিবা পীদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি।

মহাক্না অহুমশুবা রাউন্দদা থেংনগদৌরিবা শান্নরোই অদু লুজেমবর্গকী গাইলস মুল্লরবু ৫–৭, ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্বা অতোপ্পা স্পেনগী শান্নরোই রামোস ভিনোলাসনি।

অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমসু অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখি। মহাক্না ইটালিগী ফাবিয়ানো ফোগনিনিবু ৬–৩, ৬–২ দা থোইরমখি।

থিয়েমগা অহুমশুবা রাউন্দদা থেংনগদৌরিবা শান্নরোই অদু য়ুএসএগী সাম ক্বেরিবু ৬–২, ৭–৬(৭–৪) দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী মনারিনোনি।

অতোপ্পা ফ্রান্সকী শান্নরোই জো ৱিলফ্রেদ সোঙ্গা অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌখি। মহাকপু ক্রোএসিয়াগী ইভো কার্লোভিসনা ৬–৪, ৭–৬(১১–৯) দা মায়থিবা পীখিবনি। কার্লোভিসকী অহুমশুবা রাউন্দগী লম্বা অদু য়ুক্রেনগী দোলগোপোলোভবু ৬–৩, ৭–৬(৮–৬) তা থোইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক ক্রাইগিওস ওইরগনি।

স্পেনগী দেবিদ ফেররনা অনীশুবা রাউন্দদা সর্ভিয়াগী টিপসারেভিসপু ৬–৪, ৬–৭(৫–৭), ৬–১ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা জর্মনিগী মার্ক জ্বেরেভপু ৬–৩, ৭–৬(৭–২) দা থোইরম্বা অতোপ্পা স্পেনগী শান্নরোই কারিনো বুস্তাগা থেংনরগনি।

নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলুপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ জেক রিপব্লিক্কী কেটরিনা প্লিজকোভা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখি। মহাক্না রুশিয়াগী ভিখলানসেভাবু ৬–২, ৬–৩ দা থোইরমখি। অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী গাভ্রিলোভাবু ৭–৬(৭–১), ৫–৭, ৬–৩ দা থোইরম্বী ইটালিগী সি জিওর্জিগা থেংনরগনি।

য়ুএসকী ভেনস ৱিলিয়মস অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ বার্টিনা ৬–৩, ২–৬, ৬–২ দা থোইরমদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা বার্টিনা রুশিয়াগী ভেসনিনাবু ৬–২, ৬–৪ দা থোইরম্বী দেনমার্ককী কেরোলিন ৱোজনিয়াকিগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ুএসকী অতোপ্পা শান্নরোই মেডিসন কিজগা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই গার্বিন মুগুরুজাগা শান্নরগনি। মুগুরুজানা ব্রাজিলগী হদাদ মাইয়াবু ৬–২, ৬–০ দা থোইখি। অদুগা মেডিসন কিজনা রুশিয়াগী কসাটকিনাবু ৬–২, ৬–১ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সিদেদ শান্নরোই রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দদা লাটভিয়াগী এ সেবাষ্টোভাবু ৬–৪, ৬–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

অমরোমদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবী রুশিয়াগী স্বেটলানা কুজনেটসোভাসু স্পেনগী স্বারেজ নভারোগা ঙসি শান্নখিবা অহুমশুবা রাউন্দ অদুদা ষ্ট্রেট সেটতা ৬–২, ৬–৪ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ৱেষ্টর্ন এন্দ সাউদর্ন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী অনীশুবা রাউন্দদা য়ুএসএকী ব্রাইন ফাইবোক্না ইটালিগী ফেলিসিয়ানো লোপেজ অমসুং মার্ক লোপেজবু ৬–২, ৬–৩ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।



*চিনচিনাটি ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সনিয়া (ওইদগী ২ শুবা) অমদি চাইনাগী স্বাই পেং (য়েৎ)*

## লেভোন আরোনিয়াননা সেন্ট লুই রেপিদ চেছকী মকোক ওইখ্রে

*সেন্ট লুই, ওগষ্ট ১৭ঃ*

য়ুএসএগী সেন্ট লুইদা পাঙথোকপা রেপিদ এন্দ ব্লিটজ চেছ টুর্নামেন্টকী রেপিদকী কাঙলুপ্তা ঙসি লোইশিনখিবা ৭শুবা, ৮শুবা অমদি ৯শুবা রাউন্দশিং অদুদা অর্মেনিয়াগী গ্রান্দমাষ্টর লেভোন আরোনিয়াননা পুন্না স্কোর ১২ ফংলগা রেপিদ চেছকী মকোক ওইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসি রেপিদ গেম অমসুং ব্লিটজ গেম অনী পুল্লগা শেম্বনি। রেপিদকী ওইনা রাউন্দ ৯ শান্নবদা আরোনিয়াননা টাইটল লৌরগা হয়েং মখা তাবা নুমিৎ নিনিদা ব্লিটজ গেম ১৮ শান্নগদৌরি। মরম অদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ওভরওল চেম্পিয়ন অদু নুমিৎ নিনিগী মতুংদা খঙগদৌরি।

ঙসি শান্নখিবা ৭ শুবা রাউন্দদা শান্নরোই ১০ না শরুক য়ারিবা টুর্নামেন্ট অসিগী গেম অনী মায় পাকপা ঙম্নখি। গেরি কেস্পরোভপু দেবিদ নাভারানা থোইখি। অদুগা আরোনিয়াননা কর্জাকিনবু মায়থিবা পীখিবনি। ইন্দিয়াগী আনন্দ অমসুং ভিয়েটনামগী লি ক্বাং লিয়েনগা ড্রো চৎখি।

৮শুবা রাউন্দদা কাস্পরোভনা লি ক্বাংবু থোইখি। আনন্দ অমসুং করাউনা ড্রো চৎখি। আরোনিয়ান অমসুং নকামুরাসু ড্রো চৎখি। অতোপ্পা গেম অমদা ক্যুবাগী লেনিয়র দোমিগেজনা দেবিদ নাভারাগা শান্নবদা দোমিগেজনা মায় পাকপা ঙমখি।

অমরোমদা রুশিয়াগী সর্গৈ কর্জাকিন অমসুং অতোপ্পা রুশিয়াগী শান্নরোই ইয়ান নেপোমনিয়াচিসু মায় পাকপা ঙম্নখিদে।

৯শুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী ভেটরান শান্নরোই গেরি কাস্পরোভ য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করাউনাগী মখুত্তা মায়থিবা নংখি। রুশিয়াগী সর্গৈ কর্জাকিননা ইন্দিয়াগী আনন্দগা শান্নবদা আনন্দগী মায়কৈদগী অশোয়বা খোঙথাং অমখক লৈখিবা অদুগী খুদোং চাবা লৌদুনা থোইবা ঙমখি। ভিয়েটনামগী লি ক্বাংনা দেবিদ নাভারোবু থোইখি।